

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,FRIDAY, MARCH 24, 2017 **PAGE 7**




মীজোরামগা শান্নখিবা টাই ব্রেক্তা বেঙ্গলবু মায় পাকখিহনখিবা গোল কিপর সঙ্কর রোয়না বোল ফারবা মতুং হরাওবা ফোঙদোকপা

এআইএফএফকী টেক্নিকেল কমিতিগী হান্না বাইচুং বুটিয়ানা পায়রম্বা ফম নৌনা পায়গদৌরিবা শ্যাম থাপ্পা

## ইন্দিয়াগী সুট্টর অঙ্কুর মিট্টলনা সোট গন ৱার্ল্ড কপতা গোল্ড ফংবগা লোয়ননা ৱার্ল্ড রেকোর্দ মান্নহনখ্রে

*একাপুলকো,মার্চ ২৩ঃ*

মেক্সিকোগী সহর একাপুলকোদা ইন্টর্নেসনেল স্পোর্টস সুট্টিং ফেদরেসন (আই এস এস এফ)গী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা সোট গন ৱার্ল্ড কপকী ডবল ত্রেপ ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী সুট্টর অঙ্কুর মিট্টলনা গোল্ড মেডল ফংবতা নত্তনা ৱার্ল্ড রেকোর্ড মান্নহনবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী মিট্টলনা গোল্ড মেডল ফংলগা ওস্ট্রেলিয়াগী সুট্টর জেমস ৱিলেটনা সিলভর মেডল অদুগা চাইনাগী সুট্টর য়িং কিনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।



*গোল্ড মেডল ফংখ্রবা ইন্দিয়াগী মিট্টল (ময়াই), সিলভর ফংখ্রবা ওস্ট্রেলিয়াগী ৱিলেট অমসুং ব্রোঞ্জ ফংখ্রবা চাইনাগী য়ি কিং*

নিংশিংবা য়াবদি হন্দক্তা ন্যু দিল্লীদা পাঙথোকখিবা আই এস এস এফ ৱার্ল্ড কপ্তা অঙ্কুর মিট্টলনা সিলভর ফংলগা জেমস ৱিলেটনা গোল্ড লৌখিবনি।

ঙরাং অথেংবদা লোয়শিনখিবা ডবল ত্রেপ ইভেন্ট অদুদা মিট্টলনা ন্যু দিল্লীগী পার্ফোমেন্স অদু চপ চানা লমন শিংবা ঙমখি। কম্পিতিসন অদুগী হৌবদগী হৌরগা ইন্দিয়াগী অঙ্কুর মিট্টলনা য়াম্না ফজবা মওংদা পোইন্ট লৌদুনা অতোপ্পা সুট্টরশিংদগী মাংজিল থাদুনা চৎখি।

ক্কালিফিকেসন রাউন্দদা ইন্দিয়াগী মিট্টলনা অপুনবা পোইন্ট ১৫০ লৈবগী মনুংদা পুন্না পোইন্ট ১৩৮ ফংদুনা অনীশুবা পোজিসনদা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

পনবা য়াবদি ক্কালিফিকেসন রাউন্দ অদুদা অনীশুবা অমদি অহুমশুবা পোজিসনগীমত্তঃ চাইনাগী য়িং কিগা সুট আউট তৌনবদা পোইন্ট ৬–৫দা হেন্দুনা ফাইনেল য়ৌরকখি।

ফাইনেল রাউন্দ অদু পুন্না সুট্টর ৬না লম্বা তৌনখি। পুন্না টার্গেট ৮০ লৈবগী মনুংদা ইন্দিয়াগী সুট্টর অঙ্কুর মিট্টলনা পোইন্ট ৭৫ ফংলগা টার্গেট ৫ পানবা ঙমখিদে। হায়রিবা পোইন্ট ৭৫ অসি হৌজিক হৌজিক ৱার্ল্ড রেকোর্ড ওইরিবনি।

ফাইনেল রাউন্দ অদুগী টার্গেট ৬০ লোয়শিল্লকপদা চাইনাগী সুট্টর য়িং কি পোইন্ট ৫২ খক ফংলগা ইলিমিনেট তৌখি। অরোইবা রাউন্দ ২০ অদুদা ইন্দিয়াগী মিট্টল অমসুং ওস্ট্রেলিয়াগী জেমস ৱিলেটনা অকনবা লম্বা চত্থরকপদা মিট্টলনা পোইন্ট ৮০গী মনুংদা ৭৫ ফংবা ঙমখিবনি। অদুগা ওস্ট্রেলিয়াগী জেমস ৱিলেটনা পোইন্ট ৭৩ ফংলগা সিলভর মেডল ফংখিবনি।

ৱার্ল্ড কপ অসিদা ইন্দিয়াগী ওইনা পুন্না সুট্টর ৯না শরুক য়াবনি। মসিদা ঙরাং মিট্টলনা গোল্ড মেডল ফংদুনা কন্টিনজেন্ট অদুগী ওইনা য়াম্না ফজবা নুমিৎ অমা ওইহনখি।

ৱার্ল্ড কপ অসিদা মখা তানা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মেডল ফংবা য়ারিবা ইভেন্টশিং অদু নুপা অমসুং নুপীগী স্কিট সুট্টিং দিসিপ্লিনদনি। ইভেন্ট অসিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী অতোপ্পা সুট্টরশিং অদুদিঃ নুপীগীদা মথন্তা য়াওরিবী রাসমি রাথোর অদুগা নুপাগীদা অঙগদ ভির সিংহ বজৱা, মান সিংহ অমসুং আর্মিন দর সিংহনি।

## সন্টোস ট্রোফিদা গোৱানা কেরলা অদুগা বেঙ্গলনা মীজোরাম থোইদুনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি

*পানাজি,মার্চ ২৩ঃ*

গোৱানা য়ুম্বু ওইদুনা রাজ্য অদুগী তোঙান–তোঙানবা সহরশিংদা চত্থরকপা ৭১ শুবা সন্টোস ট্রোফি নেসনেল ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা সেমি ফাইনেল মেটচশিং য়ুম্বু গোৱানা কেরলাবু মায়থিবা পীরম্বা অদুগা ৱেষ্ট বেঙ্গলনা মীজোরামবু মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী ফাইনেলদা লম্বা তৌনরগনি।



*গোৱাগী মায়কৈদগী পাঞ্জল অনীমক চনবা ঙমখিবা লিষ্টৌন কোলাকোনা গোল চনখিবা মতাং*

বাম্বোলিমদা লৈবা জিএমসি ফুটবোল ষ্টেদিয়মদা ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং মীজোরামনা লম্বা তৌনখিবনি। মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙম্মদনা লৈখি।

পনবা য়াই টুর্নামেন্ট অসিগী সেমি ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেলদা বেঙ্গলগী টিম অতোপ্পা টিম্না পাঞ্জল অমত্তা চনবা ঙমখিদে। টুর্নামেন্ট অসিগী পুৱারীদা টাইটল ৩১ রক লৌবা ঙমখ্রবা বেঙ্গলনা মেটচ অদুগী অনীশুবা হাল্ফতসু মখোয়না মীজোরামবু লাকশিননা শান্নবা হোৎনখিবা অদু ঙমদনা লৈখি।

অপীবা মিনট ৯০ লোইশিল্লবা ফাওবদা টিম অনীমক পাঞ্জল চন্নবা ঙমদবদগী এক্সত্রা টাইম শান্নরকখি। মদুদসু পাঞ্জল চন্নরক্ত্রবদগী পেনাল্টি সুট আওট চৎখি।

পেনাল্টি সুট আওট অদুগী অহানবা পাঞ্জল ৫–৫ চন্নরবা মতুং বেঙ্গলগী মায়কৈদগী মোইরাংথেম বসন্তনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা মাঙজিল থাখি। মীজোরামগী মায়কৈদগী লালবিয়াখুলুৱানা কাউরকপা পেনাল্টি কিক অদু বেঙ্গলগী গোল কিপর সঙ্কর রোয়না ঙাকথোকপা ঙমখিবদগী বেঙ্গলনা ৬–৫ দা থোইদুনা ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা য়ুম্বু ওইখিবা গোৱানা কেরলাবু পাঞ্জল ২–১ দা থোইদুনা ফাইনেলদা ৱেষ্ট বেঙ্গলগা শান্নগদৌরিবনি।

গোৱা অমদি কেরলাগী সেমি ফাইনেল মেটচ অদু হৌরকপদা কেরলানা বোল হেন্না পায়দুনা শান্নখি। অদুবু গোৱাগী শান্নরোইশিং অদুনা কাউন্টর এটেক চত্থরকপদা সেমি ফাইনেল অদুগী পাঞ্জল অনীমক চনবা ঙমখিবনি।

পাঞ্জল অনীমক গোৱাগী শান্নরোই লিষ্টোন কোলাকোনা চনখি। শান্নবগী ১৩ শুবা মিনটতা গোৱাগী মায়কৈদগী পিটর কর্বালোনা য়াম্না শাংবা বোল অমা ফিল্ডগী য়েৎথংবা মায়কৈদা ব্রাইন মসক্রানাসতা পীরকখি।

ব্রাইননা বোল অদু কেরলাগী পেনাল্টি বোক্স মনুং ফাওবা পুশিল্লক্লগা ফিভম চানা লৈখিবা লিষ্টোন কোলাকোদা খাইরকপদা কোলাকোনা অশোয় অঙাম য়াওদনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনখি।

শান্নবগী অহানবা হাল্ফ লোইগদবা মিনট ৯ খক্তঃ ঙাইশিল্লক্লবদা গোৱাগী লিয়েন্দর কুনহানা পুরকপা বোল অমা অহানবা পাঞ্জল চনখিবা লিষ্টোনদা পীরকপদা মহাক্কী মার্কর অদুবু লাম্থোক্তুনা অনীশুবা পাঞ্জল অদু ওইহনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈ বেঙ্গলগী রাহুল রাজনা হেদ্দিং তৌরগা গোল অমা হন্দোকখি। লোইশিল্লকপদা কেরলানা চত্থরকপা এটেকশিং অদু ঙাকথোকপা ঙমদুনা মেটচ অদু ২–১ দা থোইদুনা ফাইনেলদা বেঙ্গলগা থা অসিগী ২৫ দা লম্বা তৌনরগনি।

## কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দ অমদি রিও ওলেম্পিকক্সকী গোল মেডালিষ্ট মোনিকা প্যুগ মিয়ামি ওপনগী অহানবা রাউন্দদা লৈহৌরে

*মিয়ামি,মার্চ ২৩ঃ*

ফ্লোরিদাগী মিয়ামিদা চত্থরিবা মিয়ামি ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দ অমদি রিও ওলেম্পিকক্সকী গোল মেডলিষ্ট মোনিকা প্যুগ অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরে।



*মিয়ামি ওপনগী অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌরবা কানাদাগী য়ুজিনি বোকার্দ*

কানাদাগী শান্নরোই য়ুজিনি বোকার্দ হৌখিবা সিজন অসিদা মহাক্কী মশান্না ফজবা মওংদা লৈবা ঙমদ্রি। পনবা য়াবদি কুমজা ২০১৪ দা ৱিম্বলদন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টতা রন্নর্স অপ তাখিবা অদুনা খ্বাইদগী ফজবা ওইরি। বোকার্দবু ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই এসলে বার্টিনা ৬–৪, ৫–৭, ৬–৩ দা মায়থিবা পীরম্বনি। বার্টিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দগী মেটচতা টুর্নামেন্ট অসিগী ১৪ শুবা সিদেদ অতোপ্পা ওস্ট্রেলিয়াগী শান্নরোই সমান্থা ষ্টোসুরগা লম্বা তৌনরগনি।

নাকল অমরোমদা রিও ওলেম্পিকক্সকী নুপীগী সিঙ্গলসকী চেম্পিয়ন প্যুটোরিকোগী মোনিকা প্যুগ রোমানিয়াগী শান্নরোই সোরানা কর্ষ্টিগী মখুত্তা ষ্ট্রেট সেট অনীনা ৬–২, ৬–৪ দা মায়থিখিবনি। কর্ষ্টিনা মহাক্কী অনীশুবা রাউন্দদা লাটভিয়াগী এ সেভাষ্টোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

জেক রিপব্লিক্কী কেরোলিনা প্লিজকোভাসু অহানবা রাউন্দদা মায়থিহৌখি। মহাকপু নেদরলেন্দসকী এন মিনেলানা ৭–৬ (৭–৪), ৫–৭, ৭–৫ দা থোইরমখি। মিনেলানা অনীশুবা রাউন্দদা রুশিয়াগী শান্নরোই স্বেটলানা কুজনেসোভাগা লম্বা তৌনরগনি।

অতোপ্পা নুপীগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অমদা স্বিজরলেন্দগী বেলিন্দা বেন্সিক অমসুং ইটালিগী সরা ইরানিগা শান্নবদা ইরানিনা ৬–৩, ৪–৬, ৬–৩ দা থোইখি। ইরানিনা অনীশুবা রাউন্দদা চাইনাগী শান্নরোই এস ঝাংগা লম্বা তৌনরগনি।

বেলজিয়মগী য়ানিনা ৱিকমায়রনা জেক রিপব্লিক্কী লুসি সফারোভাগা অহানবা রাউন্দ শান্নবদা সফারোভানা য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্লরবা মতুং ৭–৬(৭–২), ৬–৪ দা থোইদুনা অনীশুবা রাউন্দদা ওস্ট্রেলিয়াগী দি গাভ্রিলোভাগা লম্বা তৌরগনি।

## ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স গ্রান্দ প্রিদা ইন্দিয়াগী আনন্দননা মিটর ৪০০ গী লমজেলদা সিলভর মেডল ফংখ্রে

*দুবাই,মার্চ ২৩ঃ*

য়ুএইগী দুবাইদা পাঙথোকপা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স গ্রান্দ পিদা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট আনন্দন গুনসেকরননা মিটর ৪০০ গী লমজেলদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখ্রে।



*ৱার্ল্ড এঠলেটিক্স গ্রান্দ প্রিদা সিলভর মেডল ফংবা ঙমখিবা ইন্দিয়াগী পেরা এঠলিট আনন্দন গুনসেকরন (য়েৎ)*

আনন্দননা মিটর ৪০০ গী টি–৪২ / ৪৪ / ৪৬ / ৪৭ কী কেটেগোরিদা সিলভর মেডল অদু ফংখিবনি। আনন্দন মখোঙ ওইগী খুউ মখাদা ষ্টিল ব্লেদ হাপ্পুনা লমজেল অদু শরুক য়াখিবনি।

জম্মু অমসুং কাশ্মিরদা ইন্দিয়া আর্মিগী ১০ শুবা রেজিমেন্টকী মনুং চন্না লাইন ওফ কন্ট্রোলদা মাইন থিবগী থবক চথবদা মখোঙ ওই অদু তৎখিবনি।

কুমজা ২০০৮ কী মতুং মহাক দিল্লি অমসুং পুনেদা ওপরেসন মথং–মথং চত্থরবা মতুং এঠলেটিক্সকী লমদা খোঙদারকপনি। পুনেদা লৈবা আর্মি স্পোর্টসতা নাইব সুবেদার ওইনা ত্রেনিং চত্থরম্বদগী মমাঙ চহীদা বেঙ্গালুরুদা ত্রেনিং সেন্টর হোংদোরকখিবনি।

কুমজা ২০১২ দা মুম্বাই মরাথোনগী কিলোমিটর ২.৫ গী দিসএবল কেটেগোরিদা অহানবা ওইনা লমজেল চেনবা হৌখি। মহাক্কী য়ুনিট অদুনা কুমজা ২০১৪ দা আইসলেন্দদগী ব্লেদ অদু চেনখিবনি।

ব্লেদ অদু হাপ্পবা মতুংথা অনী লৈরগা মালেসিয়াদা পাঙথোকখিবা ইন্টরনেসনেল গ্রান্দ প্রিদা মিটর ১০০ দা গোল্ড মেডল অদুগা মিটর ২০০ দা সিলভর ফংখি।

কুমজা ২০১৫ দা কোরিয়াদা পাঙথোকখিবা ৱার্ল্ড মিলিটরি গেমসতা মিটর ২০০ গী গোল্ড মেডল ফংখি। অদুগা মমাঙগী চহীদা পাঙথোকখিবা এসিয়া ওসিনিয়া কম্পিটিসনদা মিটর ৪০০ গী গোল্ড মেডল ফংখি।

দুবাইগী কম্পিটিসনদা সিলভর ফংখিবা অদুনা মরম ওইরগা লন্দনদা চহী অসিগী জুলাই ১৪ দগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড পেরা এঠলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকীদমক ক্কালিফাই ওইখি।

দুবাইগী কম্পিটিসন অদুদা মিটর ৪০০ গী লমজেল অদু সেকেন্দ ৫৫.২৭ দা সিলভর ফংলগা গোল্ড মেডল অদুনা সাউদি অরাবিয়াগী নুর অলসনানা সেকেন্দ ৫৪.৭৬ তা ফংখি। ইন্দিয়াগী অতোপ্পা পেরা এঠলিট প্রমোট কুমরানা সেকেন্দ ৫৮.৩১ চেন্দুনা ব্রোঞ্জ মেডল ফংখি।

আনন্দননা ফোঙদোকখিবদা পেরা ইভেন্টতা মেডল কয়া ফংলবা মতুং নোর্মেল কেটেগোরিদা মহাক শরুক য়ানবা হোৎনদুনা মহাক্কী অরোইবা পান্দম ওইহনগনি হায়খি।


**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 163/SDC/P of 2017

PEIKHAI KEIKHU KABUI
of Keikhu Kabui

Petitioners

-Vs-

1. Kaphunga Kabui s/o (L) Meingamdei Kabui of Keikhu Kabui
2. Kadungsinpao Kabui s/o (L) Poukhin Kabui of -do-

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 23/3/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খওহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 31-Keikhu Hao গী Patta No. 31,77 (new), 60/195 (old), C.S. Dag Nos. 59/240 an area of 0.345 acre of Ingkhol class লম অসিগী Co-Pattadar 1 and 2 অসি লৈখিদ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitiner অসিনা লৈখিদ্রবা Co-Pattadar 1 and 2 অসিগী মহুত্তা লম অসিগী মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat কী Court তা objection তৌবীরনবা খওহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি । মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East, Manipur

SL/1924(a)/24

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR**
Porompat, Imphal East, Manipur
Ref. : Mutation Case No. 164/SDC/P of 2017

1. Thongbam Kombi Devi W/o (L) Th. Achou Singh of Khurai Kongpal Laishram Leikai
2. Heikrujam Nimai Singh S/o H. Tomba Singh of Khurai Chingangbam Leikai

Petitioners

-Vs-

Th. Tharongou Singh S/o (L) Tolngou Singh of Khurai Laishram Leikai

O.P.

**NOTICE**

Porompat, the 23/3/2017

Under Sect. 46(3) MLR LR Act. 1960 গা মরী লৈননা খওহল্লি মদুদি Imphal East Porompat Circle গী Village No. 16-Laishram Leikai গী Patta No. 182 (new), 162 (old), C.S. Dag Nos. 93 an area of 1.08 acre of Phourel class লম অসিগী Pattadar অসি লৈখিদ্রে । মরম অসিনা মথক্কী Petitiner শিং অসিনা লৈখিদ্রবা Pattadar অসিগী মহুত্তা লম অসিগী মমিং ওনবীরো হায়না Court অসিদা দরখাষ্ট থাররে। মরম অসিনা পাউ চে অসিনা ফোংবা মতুং নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেগা লোয়ননা লম অসিগা মরী লৈনবা মীওইশিংনা SDC, Porompat কী Court তা objection তৌবীরনবা খওহল্লি। নৎত্রবদি Court কী হৌনবী মতুং ইন্না case মখা চত্থগনি । মতুংদা লাকপা ৱাকৎ Court অসিনা লৌজরোই।

Sd/-
Sub-Deputy Collector,
Porompat, Imphal East, Manipur

SL/1924(b)/24


## ইন্দিয়াগী সিরিল বর্ম ক্কার্টর ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিদ্রে

*হানোই,মার্চ ২৩ঃ*

ভিয়েটনামগী হানোইদা পাঙথোকপা ভিয়েটনাম ইন্টরনেসনেল চেলেঞ্জ বেদমিন্টনদা ১২ শুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী সিরিল বর্ম প্রি ক্কার্টর ফাইনেলদা মায়থিহৌরে।

ঙসি শান্নখিবা প্রি ক্কার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা সিরিল বর্মবু ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ৪ শুবা সিদেদ শান্নরোই ওইরিবা পাঞ্জি অহমদ মোলানানা ২১–১৭, ২১–১৪ দা মায়থিবা পীরমখি।

পাঞ্জিনা ক্কার্টর ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই য়াং চি চৈগা লম্বা তৌনরগনি। য়াংনা মহাক্কী প্রি ক্কার্টর ফাইনেল মেটচতা ইন্দোনেসিয়াগী শান্নরোই ৱিসনু য়ুলি প্রাসেটোবু ১৪–২১, ২৪–২২, ২১–১৮ দা থোইরমখি।

## লিলি চনু য়াওবা ইন্দিয়াগী টিম বেনকুভরগীদমক খোঙশানখ্রে

*ন্যু দিল্লি,মার্চ ২৩ঃ*

কানাদাগী ৱেষ্ট বেনকুভরদা এপ্রিল ১ দগী হৌগদৌরিবা ৱার্ল্ড লীগ হোক্কি রাউন্দ টু শরুক য়ারুননবা মণিপুরদগী মায়েংবম লিলি চনু য়াওবা ইন্দিয়াগী টিম ঙসি খোঙশানখ্রে।

থা অসিগী অঙনবদা বেলারসকা শান্নবা হোক্কি মেটচ ৫ গী সেরিজ অদু মেটচ ৫–০ দা মায় পাখিবা অদুগী মতুং ইন্দিয়াগী নুপীগী হোক্কি টিম অসিনা য়ুম্বু কানাদা, বেলারস, মেক্সিকো, ত্রিনিদাদ এন্দ টৈবেগো, চিলি অমসুং উরুগ্বেনচিংবা লৈবাকশিংগা লম্বা তৌগদৌরি।

টুর্নামেন্ট অসিদা মায় পাক্লবদি ৱার্ল্ড লীগ সেমি ফাইনেলগীদমক ক্কালিফাই ওইগদৌরিবনি। সেমি ফাইনেল লীগ অদু জুন অমদি জুলাই থাদা সাউথ অফ্রিকাগী জোহেন্সবর্গ অমসুং বেলজিয়মগী ব্রুসেলসতা শান্নগনি।